*Evening daily*

# Imphal Times

Regd.No. MANENG /2013/51092 | Volume 7, Issue 4, Saturday, July 27, 2019 | *Maliyapham Palcha kumsing 3417* | Rs. 2/-

## Hearing of disqualification case for 7 defected Congress MLAs defer for 4 weeks

**IT News**
**Imphal, July**

Tribunal of the Speaker of Manipur Legislative Assembly has been deferred for 4 weeks after the counsel of the 7 Congress MLAs had pleaded the Speaker to give four more weeks for filling written objection in connection with the case filed for disqualification.

Hearing for the case for disqualification of the 7 defected Congress MLAs namely Oinam Lukhoi, Ksh Biren, Paonam Brojen, Sanasam Biramani, Ngamthang Haokip, Ginsuanhau and Y. Surchandra was held today at the Speaker's tribunal of the Manipur Legislative Assembly. During the hearing the counsels of the seven MLAs pleaded the Speaker to provide 4 weeks for filing written objection to the case filed against the MLAs. The Petitioners' Counsel didn't raise any objection to the plea by the respondent counsel and thereby the Speaker granted the plea and fixed the next hearing after 4 weeks.

Fifteen different disqualification petitions that were filed against Forest and Environment Minister Th. Shyamkumar by Congress MLAs were also heard before the Speaker Tribunal today. During the hearing the respondent Counsel submitted that there is some error in technical ground in the disqualification petition and plea to reject the petitions. On the other hand petitioner counsel submitted the high court order passed on July 23 in connection with the disqualification petition filed by Md. Fajur Rahim and MLA K. Meghachandra as additional affidavit before the Speaker Tribunal.

After the hearing Speaker Tribunal reserved order of the preliminary objection and further proceedings of the Tribunal.

Among the seven congress defected MLAs three disqualification petitions were filed against four MLAs, one each against three MLAs.

## ATRPFM appeals CM to maintain work allotment at govt. department on seniority basis

**IT News**
**Imphal, July 27,**

All Tribal Rights Protection Forum Manipur (ATRPFM) has drawn the attention of the Chief Minister to maintain work allotments to government departments based on seniority list.

In a press statement the ATRPFM said that the works of Head of Office (HOO) & Drawing & Disbursing Officer (DDO) cannot be assigned to the junior officer when there are seniors.

**(Contd. on Page 4.....)**

## Demanding justice for Babysana, parents take out belongs of their wards from Standard Robarth School Hostel; Expresses 'shock' in seeing the condition of the dormitory





**IT News**
**Imphal, July 27,**

Parents of the hostelites staying at the hostel of Standard Robarth School Canchipur today took out all the belongings of their wards from the hostel room today demanding justice for Ninghoujam Babysana who was found died in the same hostel in a suspicious manner on July 18.

Parents of the wards who came to collect the belonging reportedly seen the dormitory where their children were staying as they were never allowed to enter the room on visiting day. Almost all parents while collecting their children's belongings were shocked to see the condition their children were kept in the dormitory of the hostel. There were no fans and the double decker iron beds were place with no sufficient space for the students to move freely. In short the hostellites were kept like broilers in poultry farms. Some parents don't want to send back to the hostel while few were willing to send back after the issue of Babysana dead case. 147 girls were staying in the hostel. Parents had already taken their wards days later after the suspicious dead of Babysana but their belonging were collected only today as agreed with the student body AMSU and the JAC.

Talking to media persons , Secretary General of All Manipur Students Union (AMSU) Bipinchandra Ahanthem said that with the mysterious death of Babysana and many other unwanted cases that had happened at many private run hostels including the recent one the student body demanded a proper guideline and regulations to be framed. He said some organizations including the one headed by Landhoni, the Principal of Standard Robarth Eanglish School had been opposing the Manipur Private School Registration Act , 2017 has been passed by the Manipur state Assembly .

**(Contd. on Page 4............)**


# "হৈ – চক্ – হায়া – চক্"

অঙৌবা লৈপাক্কী মীকোল্লা
মখোঙদগী মকোকফাওবা
পরিং নাইনা শেঙ্গীদুনা
মচেৎ–মচেৎ ফোক্তুনা
মপুম অহম থোক্তুনা
কোলোই মীংলেন পীদুনা
মফম চানা লিংদুনা
লুহুপ অহম শেমদুনা
মকোক মকোক্তা উপপিদুনা
লৈপাক পুংজাউ থিন্দুনা
মালেম খঙনা পাউজেন্দুনা
ময়েক লারবা খুদম্না
পনখৈ অহম থোক্তুনা
পনখৈশিংদুগী মনুংদা
মশা–মশাগী লৈঙাকলোনবু
মনিং–তম্ন লৈহন্দুনা
অইবা পাউতাক্কা লোইননা
শেম্বিবা–মপু অঙৌবনা
মনিং তম্বগী মহাওবু
চথোম ফানা চাহন্দুনা
করাম চাউবগী মচৎতু
শরি মাবু শোলহন্দুনা
তৌরোই হাইবা উৎহন্দুনা
কাইনা মীকুপ লৈবা ॥
খিৎকী মতুং নোংঙাল্লগা
চীংলক্তা লোৎনা শাৎচবী
অঙৌবনা চেকশম্না থম্বিরম্বী
চীংলোন মাপলনা লৈনা ওই
শিংজেল লৈনম চাউবিদো
মালেমদা অনি শুদবিদো
অঙৌবনা থাপ্পা শঙলিবিদো
অহিং তাংলৌ অথেঙবদা
মপু মাগী লৈকোলদা
মপুগী শিঙ্গা পাংদুনা
থাবলগী ঈপোম মরক্তা
মালং তাহানরিঙৈ
অচিকপা তানজা য়েংদুনা

অহমদুগী মরক্তগী
মচু অহমগী লৈচিন্না
চমজরবা মতৌ শারিবা
মতু চেপ্নবা অমনা
অচিকপা তানজা য়েংদুনা
অঙৌবনা খাবিরম্বা
মশাগী শম্বল থুদেক্তুনা
কনা খঙলরোই মতাঙম
মীগী ঙমখৈদা য়ুংদুনা
মাগী মমিং থেৎচিংদুনা
থবী মহুম্নি হাইজিন্দুনা
লাউরবা মমিং অনিদুনা
মথৌনা লৈবা শাদুনা
অমুবা নঙগী লৈঙাকলোনবু
নম্মুলা লাইমীং লৌহন্দুনা
খুদক্তা পুরকখিবা রায়েল লাইরেম্বীগী
তাঙলবা মমীং অনিবু
অমুবা ফিম্না পুন্দুনা
কৈথেল ময়োন্দা থিন্দুনা
চিংলৈপাক্কী মীয়ামগী
রায়েল কাতি পাইহন্দুনা
মীং–তাঙবীনি খঙনা খঙনা
লুরবা রায়েল কাতিগী শায়োনবু
লৌগে খম্না লৌহন্দুনা
অরাইবা রায়েল কাতিনা
মতম কুইনদগী ঙসিফাও
অচুম্বা মাবু থিহন্দুনা
মপা–মপি কাইনরবা
ফংগে খম্না থিম্রবা
মশাগী ঙমখৈ কাউরবা
অঙাওবগা পাংখক ওইখ্রবা
ঈদা মচু অহমগী
মমি চাউনা তাথ্রবা
মমা নিঙবা শাবশিং
মপা খঙবা শাবশিং
পাখঙবগী কোলোই হৱিবশিংনা
লৈঙাকলোনবু পাইহৎদুনা

অরাইবা লৈঙাকলোনগী
অরাইবা রায়েল কাতিনা
মমিংতনা মশক ওই
অচুম্বা মাবু থিহম্না
মতমদুদগী ঙসিফাউ
রায়েল ফংলরোইদবা মীহাৎতা
তমথীরবা শকলোনগা লোইননা
লোইশিনবিথ্রবা থরাইশিং
অদুগী মরক্তা ঙসিসু
নৌজরিবী ইশু "বেবীসনা" গী
লংলবা থরাই অমমুক
খুমন নপুখৌ ঐগী ইশাইকোন্দা
মনুং মতম চাদনা
খমনুং কিকোইবী ইমানা
লৈখিত্রবী ইশু "বেবীসনা" গী থরাইবু
নুংশিনা মথুং শম্বিদুনা
অশিথোং পৌরোল হাংদুনা
নপুখৌগী কাদা য়ৌরকপদি
ওনথোকপা মতৌ হাইবদুনি ॥
ইশুগী থরাই মঙামক
মিগা থানা তরুকমক
লেম্না খক মাঙহল্লোই
ইশুগী থরাই অচঙবা
নপুখৌনা চঙনা থম্লনি
হে–হে মালেম নোংখোং কোল্লিবা
ঙসি কৌবা নোংদগী
পাখঙবা থিন্দুপ খুদিংমক
মফম মাপল লেংদুনা
লৈতাই নোঙতাই শৎনরো
অঙম অথৌ শেৎনরো
মাইচৌ মাইনৌ লংনরো
কংলা ফমেন নিক্লরো
রায়েল মফি মুন্দুনা
মীৎতাংবী মপাম য়ৌহনম্রো
ময়ুম মৈ চুহল্লরো
নঙনা তৌবনা নঙনা ফঙ
লৈপাক মাংদা চাং তাহন্দুনা

ইকাই থিরুপ খুমহল্লু ॥
ইশুগী থরাই মীরেলবু
তেমশিংনবা নখোইদি
নপাম চাকশু চাঙমদা
নপু চাকশু চাঙমদা
থৌদু নুঙ ওন্দুনা
ইরোলনুংদা লুপম্রো ॥
নপুগী খুরুম লাৎপশিং
নবেনগী চৈশু লাৎপশিং
নফি শেমনা লৈয়ুকো ॥
তকশি শোনবা তোক্তুনা
নয়ুম মোংবা খুদিংদা
ইমাগী ফীরাল য়ুংলোকো ।
মৈবী মৈরা লাংদুনা
হায়া চকপু ওকলোকো ।
অশুক কুইরবা মতমদৈ
মাঙহনবিথ্রবা থরাইশিংদুগী
থৌগংলবা অতিংঙাশিংনা
অরংবা থরানমিচাকশিং ওন্দুনা
মপুগী লৈকোন্দু ঙান্দুনা
ইমাগী মোমোন মীনোক্তা
লেঙত্রবা মঙাল ওইদুনা
ইপা মচুম মরক্তা
ইপু মচুম মরক্তা
হৈবোং চরোং হেক্তুনা
মালেমদা অমুক কুম্মকতুনা
খোইয়ুম কুমহৈ মরক্তা
তাইবঙ কুমহৈ য়াওননবা
অশঙবা ফিজোল থেন্দুনা
কোরৌ মশেক্কা লোইননা
শাগে নাতে খুদিংদা
সলাই–সলাই খুদিংদা
তম্না–খোংদোই ঙক্লকখিনি
তম্না–খোংদোই ঙক্লকখিনি
হৈ–হো হায়া হে
হায়া–হায়া হায়ারে ॥



*কৎথোকচবাঃ*
Dr. Narengbam Samarjit
Chairman & Managing Director
(SALAI Holdings Pvt. Ltd.)
And
President, CWC
North East India Development Party (NEIDP)
London
25/07/2019